**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ভারতপু টি.বি. লায়না লৈতবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা লৈবাক শিনবা থুংনা নুমিৎ ১০০ নি চথুগদবা ইন্টেন্সিফাইদ কেম্পেইন ঙসি হৌদোকখ্রে।

২) মনিপুরগী জিলা ৯ দা থল্লকপা মোবাইল ইন্টরনেট সার্ভিসকী অথিংবা মখা তানা থা অসিগী ৯ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

৩) মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদগী ইংবা হেনজিল্লক্লে, চিংগী জিলাশিংদদি অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী মতমদা কা হেন্না লৈচিল থারে।

৪) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা উরিষাদা তোঙান তোঙানবা রেলৱে প্রোজেক্ট অহুম য়াওনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক শিনবা থুংবদা চৎথোক চৎশিনগী পাম্বৈ হেন্না ফগৎহন্নবা সরকার অসিনা থৌরাং কয়া পায়খৎলে।

------

টিবি (এল) ঃ ভারতপু টি.বি. লায়না লৈতবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা লৈবাক শিনবা থুংনা নুমিৎ ১০০ নি চথুগদবা ইন্টেন্সিফাইদ কেম্পেইন ঙসি মণিপুরদসু রাজ্যগী হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না হৌদোকখ্রে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগ, নেসনেল হেলথ মিসন অমসুং ষ্টেট টি.বি. সেলনা শিন্দুনা চীংমৈরোংদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ডাঃ রঞ্জন্না হায়- টি.বি. লায়না অসি লায়েংদুনা ফাহনবা ঙম্বা লায়না মখল অমনি। লায়না অসি মপুং ফানা মুথৎনবা হোৎনশি হায়রবদি পেপর ৱার্ক খক্তুনা য়ারোই। মসিগীদমক জিলা থাক্তা লৈরিবা চীফ মেদিকেল ওফিসারশিং, টি.বি. ওফিসারশিংনা পান্দম অমগা লোয়ননা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। রাজ্য অসিদগী টি.বি. মপুং ফানা মুথৎনবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমকা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নশি হায়না মন্ত্রিনা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা টি.বি. লায়না অসি মুথৎনবা হোৎনবদা নিক্সে মিত্র অমা ওইনা থৌদাং লৌরিবা ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসার ডাঃ এস. প্রিয়োকুমারদা সার্তিফিকেট অমদি মেমেন্টো পীদুনা ইকায় খুমখি। লোয়ননা টি.বিনা নারবা মীওই খরদা চান-থকবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি অমদি লায়না অসিদগী নাবা ফরবা মীওই ১ দা খুদোল পীখি । থৌরম অদুগা মরী লৈননা টি.বিগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা অমসুং টি.বিগী ত্রিটমেন্ট পীনবা পান্দমদা মোবাইল ভেন অমসু ডাঃ রঞ্জন্না লমথাখি।

ইন্টেসিফাই কেম্পেইন অসিদা মনিপুরগী জিলা তরুক য়াওরি। জিলাশিং অদুদি-ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, ককচিং, চুরাচান্দপুর, কাংপোকপী অমসুং চান্দেল জিলানি। জিলাশিং অসিদাসু নুমিৎ ১০০ নি চথুগদবা ইন্টেন্সিফাইদ কেম্পেইন ওন ট্যুবরকুলোসিস ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে। খোঙজং অসিদা টি.বি. লায়না করিনো, করমা লায়েংগনি অমদি লায়না অসি করমা নাহল্লোইদবগে হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়ননা লায়না অসি লৈব্রা হায়না টেষ্ট তৌবগী থৌরমশিংসু পাঙথোক্কনি।

নেট (এল)ঃ মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা কনাগুম্বশিংনা সোসিএল মেদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোকপা, ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নবা অমদি অরানবা ভিদিও মেসেজশিং থাগৎতুনা মীয়ামদা লান্না উহনবা য়াবা ফিভম লৈবদগী সরকারনা জিলা খরদা মোবাইল ইন্টরনেট সার্ভিসতা থল্লিবা অথিংবা

মখা তানা থা অসিগী ৯ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

রাজ্যগী হোম কম্মিস্নার-এন. অশোককুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ইন্টরনেট সার্ভিস অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, কাংপোকপী, চুরাচান্দপুর, জিরিবাম অমদি ফেরজোল জিলাশিংদা থা অসিগী ৯ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ মিনিট ১৫ ফাওবা অথিংবা থমলে।

কেম্প (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী তেন্থাদা লৈবা টি.কে.দব্লিউ.এ ক্লবকী কেম্পসতা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু শ্রী শুভাকুমার মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা ৱাংজিং ৱিমেন এন্দ গার্লস সোসাইতি, টি.কে.দব্লিউ.এ ক্লব তেন্থা অমদি ইন্দিয়ান ডোক্তরস ফোর পিছ এন্দ দিভলপমেন্টনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। কেম্প অদুদা জেনেরেল মেদিসিন, গাইনিকোলোজি, দরমেতোলোজি, পেদিয়াত্রিক অমদি সাইকিয়াত্রিক্কা মরী লৈনবা মীওই ৩০০ লোমগী হকচাংগী অনাবশিং লায়েংখি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ৱাটর সপ্লাই মনাক্তা লৈবা ইবুধৌ লাইকোলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি। কেম্প অদু ইবুধৌ থৌগল্লুপ এম.য়ু কেম্পস, লাওন্স ক্লব ওফ কাঞ্চিপুর পেলেস অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিতি হেলথ কেয়ারনা বাসিখোং প্রাইমারি হেলথ সেন্তরগা পুন্না খুৎশমনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা মীওই ১০০ রোম লায়েংখি।

জেনিমস (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোমপাৎগী জেনিমস কেম্পসতা লৈবা কারকিনোস মণিপুর কেন্সর ইন্সটিট্যুট এন্দ রিছার্স সেন্তরনা শিন্দুনা কেম্পস অসিদা নোংমগী ওইবা ফ্রি ব্রেষ্ট কেন্সর স্ক্রিনিং কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা চাউরাকা নুপী ১২০ লোম স্ক্রিনিং তৌখি।

ঈংবা (এল)ঃ মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদগী ইংবা হেনজিল্লক্লে। রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা মপুং ওইনা চিংগী জিলাশিংদদি অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী মতমদা কা হেন্না লৈচিল থাবদগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোক্লে। তম্পাক্কী লমদসু অয়ুক্কী মতমদা নীংথিনা লৈচিল থারে। ইম্ফালসু হান্নদগী হেন্না

ইংশিল্লে।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী সোথিং সিমরেনা হায়- জিলা অসিদা চহি অসিগী অহানবা ওইনা ঙসি অয়ুক উখ্রুল টাউনদা উন তাবা উরে। মহৌশানা উখ্রুল জিলাদা খ্বাইদগী ইংবা মতম অসি দিসেম্বর লোইরকপা অমসুং জনুৱারিগী অহানবা শরুক্তা ওইবনি।

ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়- অৱাং নোংপোক লমদম মপুং ওইনা মনিপুর, অসাম, মেঘালয়া, নাগালেন্দ, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাদা ঙসি নুমিদাংগী মতমদা লৈচিল কা হেন্না থারবা য়াই।

ইস্কোন (এল) ঃ দামোদরা স্বামি শ্রীলা শ্রীপদাগী ৮৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম স্বামি অসিগী পোকফম লমদম ওইরিবা বিষ্ণুপুর জিলাগী তৌবুলদা লৈবা শ্রীপদা মেমোরিয়েল হোম কমপ্লেক্সতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা স্বামি দামোদরানা পাঙথোক্লুব্বা থবক থৌরমশিংশিংথাখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা সংকৃটন শক শোনবনচিংবসু পাঙথোকখি।

এময়ু (এল)ঃ এদভান্স ইন মেথমেটিক্স এন্দ ইটস এপ্লিকেসন, আই.সি.এ.এম.এ ২০২৪ হায়বা হিরমদা নুমিৎ নিনি চুপা চখ্থরকখিবা ইন্তরনেসনেল কনফরেন্স ঙসি লোইশিনখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ মেথমেটিক্সনা শিন্দুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী লেকচর হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম লোইশিনবগী থৌরম অদুদা দেলিগেট ২০০ রোমনা শরুক য়াখি।

ৱাকৎ (এল)ঃ খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোই, মণিপুরগী ইরাং অথুবদা লোইশিল্লু, মীচম মীয়াম হাৎপগী থৌওং য়ানিংদে হায়বা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা দাবী কয়া তৌরদুনা মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম চথ্খ্রে।

জিরিবাম জিলাদা লমদমদুগী মৈরা পায়বীশিংনা ঙসি জিরিবামগী কংগ্রেস ভবন মমাংদা তোঙান তোঙানবা দাবী তকশিন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুনা খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোই, মণিপুরগী ইরাং খুদক্তা লোইশিনগদবনি, মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া

লাউখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কাচি খুল, কারোং অমদি হাওরৈবীদসু লমদম অদোমগী মৈরা পায়বী, ক্লব য়াওনা মীয়ামা ৱাকৎ মীফম চথ্খি।

য়ুনিয়ন (এল)ঃ রাজ্য অসিদা লৌ লোকপগী মতম লোইশিল্লক্লবনিনা নিংথমগী মহৈ মরোংশিং মরাং কায়না পুথোকবা সরকারগী এগ্রিকলচর অমদি হোর্তিকলচর বিভাগ য়াওনা মরী লৈনবা বিভাগশিংনা লৌ লোকখ্রবা লৌবুশিং অসিদা লৌমীশিংনা মহৈ মরোং থানবা থোরাং লৌখৎপীয়ু হায়না মীতৈ-মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ক্বিজ (এল)ঃ ঐচ.আই.ভি-এইদস অমসুং এস.টি.আইগী মতাংদা স্কুল থাক্কী ওইবা ক্বিজ কম্পিতিসন অমা ঙসি টি.জি. হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। কম্পিতিসন অসিদগী নুপীমচা অনি খনগৎতুনা থা অসিগী ১২ কোলকাতাদা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট ইন্দিয়া রিজনেল ক্বিজ কম্পিটিসন ওন ঐচ.আই.ভি এইদসতা শরুক য়ারগনি

দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন কন্ত্রোল য়ুনিত ইম্ফাল ৱেষ্টনা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ত্রোল সোসাইতিগী মখাদা পাঙথোকখিবা ক্বিজ কম্পিতিসন অসিদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী হাওচোং সব-দিভিজনগী মনুং চনবা নিউ কবুই খুল্লেন খুলদা লৈবা হোপ ফ্রেন্সিপ একাদমিদা সনবাথ ট্রষ্টকী চহি ১০ শুরকপগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। এ দিকেদস ওফ এক্সিলেন্ট হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা ৬ শুবা অসাম রাইফলসকী সি.ও অমসুং হোপ ফ্রেন্দসিপ একাদমিগী মহৈরোই, মমা মপাশিং, খুলগী লুচিংবশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

মিজোরম ঃ অসাম রাইফলস অমসুং মিজোরম পুলিসনা থা অসিগী মরিদা মিজোরমগী চমফাই জিলাদা আইন কায়না থল্লম্বা ভারতকী শেল লুপা কোতি ১

লাখ ২৪ লিশিং ৮৯ গী শেনফম ফাগৎলে। শেল অদুগা লোয়ননা ম্যান্মার মচা অমসু ফারে হায়রি। অমরোমদা, মিজোরমগী থিংসাই এরিয়াদা থি হুম্বগী থবক চখবদা অসাম রাইফলস অমসুং মিজোরম পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা এক্সপ্লোসিভ কে.জি. ৭৭৫ , দিটোনেতর লিশিং ৪,৭০০ অমসুং কোর্দটেক্স মিতর লিশিং ২,২৫০ মীওই অনিগা কোন্ননা ফারে।

সিন্দিয়া ঃ  দোনর মন্ত্রি জ্যোতির অদিত্যা সিন্দিয়ানা হায়রি- মালেমগী জিও পোলিতিকেল ওর্দর অসি মালেমগী খা থংবা শরুক্তা মফম হোংলক্লি অমসুং মসি শেমগৎপদা অৱাং নোংপোক লমদম অসি পুন্না থবক তৌমিন্নবা য়াবা মরুওইবা কাংবু অমা ওইনবগী মচাক লৈ।

শ্রী সিন্দিয়ানা ঙসি নিউ দিল্লিদা অষ্টলক্ষমি মহোৎসবকী অহানবা টেকিকেল সেসনদা মেঘালয়, সিক্কিম অমসুং ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রিশিংগা পেনেল দিস্কসন তৌখি। পেনেল দিস্কসন অসিগী হিরমনা- বিক্সিত ভারত ওইনবগীদমক অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী খোঙজেল হায়বসিনি।

মন্ত্রিনা হায়- অৱাং নোংপোক রাজ্য খুদিংমকপু অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা মালেমগী থাক্তা তুরিজম, লৌউ শিংউ অমসুং হোর্তিকলচরগী পোথোকশিং পুথোকবা থোরাং তৌরি। লমদম অশোমগী রাজ্যশিং অমগা অমগা তেংবাংনদুনা অমদি কেন্দ্রগা খুৎশমদুনা হেন্না চাওখৎপা লম্বীরোমদা চংশিন্নবা হোৎনশি।

মুরমু ঃ  রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা উরিষাদা তোঙান তোঙানবা রেলৱে প্রোজেক্ট অহুম য়াওনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনখ্রে।

লুপা কোতি লিশিং ৬,২৯৪ চংনা পায়খৎকদবা রেলৱে প্রোজেক্ট অহুম অসিনা অৱাং থংবা উরিষাগা কেন্দঝর অমসুং ময়ুরভন্স জিলাশিংগা শমহল্লগনি। রাষ্ট্রপতিনা ময়ুরভন্স জিলাগী রৈরাংপুরদা ত্রাইবেল রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট সেন্তর, ফমুং ১০০ লৈবা লুপা কোতি ৫২ হেন্না চংগদবা হোস্পিতাল অমা অমসুং অতৈ প্রোজেক্টশিংসু যাত্রা হুনখি। শেমগৎকদৌরিবা অনৌবা রেলৱে লাইনশিং অসিনা রাজ্য অসিদা চৎথোক চৎশিনগী পাম্বৈ হেন্না খুদোংচাহল্লগনি অমসুং শেল থুমগী ফিভমসু ফগৎহল্লগনি।

নিংশিংবা য়াই, রেলৱে প্রোজেক্টশিং অসি হন্দক্তা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ফমখিবা কেবিনেট কমিতি ওন ইকোনোমিক এফ্যারসকী মীফমনা অয়াবা পীখিবনি।

যাত্রা হুনবগী থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি মোহন চরন মাঝি, কেন্দ্রগী রেলৱে মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণো, ত্রাইবেল এফ্যারস মন্ত্রি জ্ৱেল ওরামসু শরুক য়াখি। নুমিৎ মঙানিগী উরিষা খোঙচৎতা লাকখিবী রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু মহাক্কী খোঙচৎ লোইরদুনা ঙসি দিল্লিদা থুংখ্রে।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক শিনবা থুংবদা চৎথোক চৎশিনগী পাম্বৈ হেন্না ফগৎহন্নবা সরকার অসিনা থৌরাং কয়া পায়খৎলে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- দিল্লি মেত্রোগী মরিসুবা ফেজগী মখাদা রিথালা-কুন্দলি কোরিদোরনা দিল্লি অমসুং হরিয়ানা চৎথোক চৎশিন তৌবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। মন্ত্রি মন্দলনা দিল্লি মেত্রো ফেজ ফোর প্রোজেক্টকী মখাদা কোরিদোর অসি অয়াবা পীখিবনি। মসি লাক্লিবা চহি মরি অসিগী মনুংদা লোইশিন্নবা থৌরাং তৌরি।

অমরোমদা, লৈবাক শিনবা থুংবদা কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয় ৮৫ লিংখৎনবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা ৱারেপ লৌখিবা অদুবু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মহাকা হায়-স্কুলদা মহৈ মশিং তম্বা অসি হেক য়াবা মখৈ হেনগৎহন্নবগী মাইকৈদা মসি সরকারগী অচৌবা ৱারেপ অমনি । মসিনা মহৈরোই কয়াদা কান্নহনবদা নত্তনা থবক ফংনবগী অনৌবা খুদোংচাবা কয়াসু পীরগনি।

ডে ঃআর্ম ফোর্সেস ফ্লেগ ডে নুমিৎতা ঙসি ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ভারত লাম্মীগী থৌনা অমসুং কৎথোকপবু ইকাই খুমবা উৎখ্রো । পাউজেল অমদা শ্রী রাজনাথনা হায়-নুমিৎ অসি ভারত লাম্মীগী থৌনা অমসুং লৈবাক অসিগীদমক মখোয়না তৌরিবা থবকশিং অদুবু নিংশিংবা নুমিৎনি। লৈবাক অসিবু অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনবদা মখোয়না লৌরিবা থৌদাংবু

মন্ত্রিনা থাগৎখি।

রাজনাথ ঃ  ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহগী সরকারগী ওইবা রসিয়া খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি। নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎ অদুদা শ্রী রাজনাথ সিংহনা মোস্কোদা রসিয়াগী ঙাকশেল মন্ত্রি এন্দ্রি বেলৌসোপকা পুন্না ইন্দিয়া রসিয়া ইন্টর-গভর্ণমেন্তেল কম্মিসন ওন মিলিটরি এন্দ মিলিটরি টেকিকেল কো-ওপরেসনগী ২১ শুবা মীফমদা সভাপতি ওইগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ লেট সিপোই নিকোলাস মোয়োন মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪ গী ৰিন্নর ফাইনেলদা চিংখু ৰাই.সিনা ওইরে।

২১ শুবা অসাম রাইফলসনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-চান্দেলগা খুৎশমদুনা জিলা অসিগী জিওন্টলাং ভিলেজ গ্রাউন্দদা চত্থরকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা চিংখউ ৰাই.সিনা কাংখু এঠলিটিক এফ.সিবু পাঞ্জল ৬-৫ দা থোইখি।

গেমস ঃ     জম্মু কাশ্মীরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ৬৮ শুবা নেসনেল স্কুল গেমসতা চহি ১৭ মখাগী নুপীমচাগী ফুটবোল মশান্নদা মণিপুর থংন-থংননা মায় পাকখে। গেমস অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মণিপুরনা আই.দি.এস.ও মহারাষ্ট্রবু পাঞ্জল ১২-০ দা থোইখি। ঙসি শান্নখিবা অনিসুবা মেটচতনা মণিপুরনা সি.আই.এস.সি.ই (ওল ইন্দিয়া সেলেক্তেদ স্কুল)বু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি। মণিপুরগী অহুমসুবা মেটচ হয়েং অয়ুক বিহারগা শান্নগনি।

অমফা ঃ   ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা রেফ্রিশিংগী ফিটনেস টেষ্ট থা অসিগী ৯ দা উখ্রুলদা পাঙথোক্লগনি। এসোসিয়েসন অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- অনৌবা রেফ্রিশিং রিক্রুটমেন্ট টেষ্টনা থা অসিগী ১৬ তগী ১৮ ফাওবা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। শরুক য়াগদবা কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ১০ গী পুং অনিদা

রিপোর্ট তৌগদবনি।

ফুটবোল ঃ ইন্দিয়ান সুপর লিগকী মেটচ অমদা হৌজিক বেঙ্গলুরুগা কেরলা ব্লাষ্টরসকা করনাটক্কী শ্রী কান্তিভা ষ্টেদিয়মদা শান্নরি। লিগ অসিগী ঙরাং নিউ দিল্লিগী জৱাহ্‌রলাল নেহ্‌রু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা পঞ্জাব এফ.সিনা মোহামেদান এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি। লিগ অসিগী টেবলদা মোহোন বগান, বেঙ্গলুরু অমদি পঞ্জাব এফ.সিনা মথং শিৎনা অহানবা, অনিসুবা অমসুং অহুমসুবা মফমদা লৈরি।

হোক্কি ঃ জ্‌নিয়র ৱিমেন্স হোক্কি এসিয়া কপ ওমান মুস্কাটতা ঙসিদগী হৌরগনি। কপ অসিগী পুল এদা- ভারতকী নুপীগী জ্‌নিয়র টিমগা চাইনা, মালেসিয়া, থাইলেন্দ অমসুং বঙ্গলাদেশকা লম্বা থেংনগনি।

------